ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯷, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, দিসেম্বর ১৭, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৫৮শুবা মশীং

# লমচৎ-শাজৎ মাঙথরকপা করিদগী ওইগদগে

মীওইবা অমগী পুন্সিদা, মশাদা মরু ওইবশিং অসিবু করি-করি ওইরমগদগে? মরল-মথুমসু মমল য়াম্মী অদুগা মথৌসু তাই। মরমদি হিংনবগী পান্বে ওইগদৌরিবনি। মমল য়াগ্লে হায়রিবা, শিরবা মতুংদা হল্লকপা য়াদ্রবা হকচাং, হকচাংসিগী পুন্সিবুসু অদুক্কী মতিক মমল য়াম্মী। অদুগা লমচৎ-শাজৎ হায়বসিসু নুপা ওইগেরা, নুপী ওইগেরা মখোয়গী পুন্সি, হকচাং অমসুং মরল-মথুমগসু হকথেংননা মরী লৈনবনা অমুক্কসু হেন্না মরু ওই। অদুবু হায়রিবশিং অসি মাঙখ্রবসু, লৈরমদ্রবসু হঞ্জিলহল্লক্তুনা লৈহল্লকপা য়াবশিংগী মনুংদি চল্লি। লন-থুম মাঙখ্রবসু অমুক হন্না তানবা য়াই। থৱায় মাঙখিবমক নৎত্রবদি হকচাংগী ফীভমসু য়ামশিল্লক্লবা চহী নৌথোকহল্লকপখক নত্তনা হান্নগী ফীভমদা পুরকপসু ঙম্বা য়াওই। নুপা অমসুং নুপীগী খাক্তনা মাঙলুরবা লমচৎ-শাজৎসু হঞ্জিলহল্লকপদি য়াই। অদুবু লমচৎ-শাজৎপু মাঙলবদি লন-থুমসু মাঙই, হকচাংসু মাঙই, পূম্নমক মাঙই। তশেংনমক রত্নকরনা বাল্মিকি ওইরকখিবগী ৱারী অদুম্মাইনা থোকহনবা ঙম্লগদি অকক্নবা মীওই, নুপা নৎত্রগা নুপীদুগীসু য়াম্না ফৈ। খুন্নাই অমসুং লৈবাক্কী ওইনসু ফৈ। অদুবু হৌজিক মণিপুরী খুন্নাইগী মীওইলক্তা মশীং য়াম্বা-য়ামদবগী ৱাফম নত্তনা লমচৎ-শাজৎ মাঙথরক্লবা মীওইশিং লৈরক্লিবা অমসুং অসিগুম্বা মীওইশিংগী মশীংসু শুম য়ামখৎলক্লিবা অসিগী মরমশিং করিদগী ওইগদগে? ৱাহংসিগী পাউখুম লৈঙাক্লোইশিংনা, মখোয়গী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা, ষ্টেকহোল্ডর পূম্নমক্না অমসুং মীয়াম্না থিদোকমিন্নবা চুমগনি। মরমদি মীয়াম মাঙদা ফোংনা মনঙ্গলদা নম্বর থাদুনা থোরক্ত্রবসু, তোঙানবা ফিজোল শেৎ-চাদুনা তোপ-তোপ্না থোরক্ত্রবসু অসিগুম্বা মীওইশিংগী মখল নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লে। মরম অসিনা ফীভমসি করিদগী মতৌ করম্না ওইহল্লকখিবনো হায়বসি থিদোক্তবা য়ারক্ত্রে। ওইহল্লকপগী মরমশিং থিদোক্লগা ওইহল্লক্তনবা হোৎনহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে।

মরমদি মণিপুরগী মশান্না কয়াগী শান্নরোয়শিংনা, আর্ট এন্দ কলচরনা, তোপ-তোপ্না লৈজবা পোখোক চাথোকশিংনা পীক্লবা ষ্টেটসিনা মালেমগী মীয়ামগী মিৎমাংদা অচৌবা ফিদা ফংলবসু মণিপুরী খুন্নাইগী মীরোলগী মরক্তগী লমচৎ-শাজৎ মাঙথরক্তুনা মোৎশিল্লক্লবা মীওইশিংগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লগদি খুন্নাইসি লৈখা তানা চিংথরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অতোপ্পা ষ্টেট অমসুং লৈবাকশিংগী খুন্নাইশিংগী মমাঙদা ইকাই-ফিরুক খুন্নকপা শোয়দবনি। মসি ওইরগদি ফিভমসি করিদগী ওইহল্লকপনো হায়বসিগী মরম খূৎ হুমদুনা অমসুং লোংউপ তান্দুনা থিদোকপা চঙই। তশেংনমক নুপা অমসুং নুপীশিংগী মরক্তগী খরনা মশাগী লমচৎ-শাজৎ মাঙথরক্লিবসি থৌওইনা মসিগী মনুং চনবা থবকশিংদুদা লমহেন-তুহেন্দুনা খোঙদারুরিব্রা? পুন্সিসি কৈদৌরুগবনো হায়দুনা খন্দোক্লগা আ... মখা য়ৌনা কুমথরক্লিব্রা নৎত্রগা হিংনবগী লানফমদা তঙাইফদনা চঙলিবা শেন্মীৎলোনগী ফত্তবা ফীভম্না য়ারক্তবদগী অমোৎপা অকাম্বা লম্বীদা খোঙদারক্লিব্রা হায়বসিসু থিদোকপা চুমগনি। মস্বাইদদি খুন্নাইসিগী মীপূম খুদিংমক চপ মান্নবা থাক্কী পুন্সি মরেল অমদা লৈহনবগী মথৌ তারক্কনি। মরমদি নুপী ওইরবসু নুপা ওইরবসু মীনা শোক্ন-শম্ননিংদবা, তিনশিৎ-মায়শিৎনফম ওইবা মীওই অমবু পুন্সি অমসুং হিংবগী মরেক-মহাউ য়াওনা অমদি ৱাহন্থোক লৈনা হিংবা লোইনা পাম্নরমগনি। অদুবু ৱাখলসিদগী নাথৈরক্তুনা কুমথরক্লগা অমোৎপা, ফত্ত-হৌদি মরক্তা খোঙদারকপা য়াওরক্লিবা অসিনদি মসিগী লেঙদবা মরমশিং শোয়দনা লৈগনি। মরমশিংদু মরী লৈনবা কাঙবুনা থিদোক্লগা লৈহন্দনবা হোৎনসি হায়বনি। নারক্লগা লায়েংনি, লুনা-চান্না তৌবীনি, অঙম্বা মতেং পাংগনি, মখোয়গীদমক স্পেসল পেকেজ শেমগনি হায়দুনা ফেংদুনা লৈবনা অচুম্বা খোঙফম ওইরোই। তমথীরবা লায়নাসি নারক্ত্রিঙৈদা নাহন্দনবা হোৎনবা চঙই। মসিমক মরূ-ফংনা মূখৎপা ঙম্লরোইদবা মীওইবা খুন্নাইগা অদুম্মক শাগোন্নদুনা লৈরগদবা ওইরবসু ঙম্লিবা মখে অপীকপা চাং ফাওবা য়ৌনা হন্থহন্নবদি হোৎনরগদবনি। পীক্লবসু মণিপুরগী খুন্নাইদা মশাগী লমচৎ-শাজৎ মাঙথরক্লবা, মহৌশাগী মীয়ামগা মান্নবা খোঙ থাংবা ঙমজদ্রবা মীওই খরা লৈরবনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৬

১) **"মণীগী মঙাল"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
২) **"মখে লৈত পেঞ্জবা"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৩) **"ঈথৈখ্রবা ঈচেল"** হায়বসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৪) **"হিমায় চুম্বা হিরোয়গুম/হিথাংফম য়ৌনা হি হোনলিবী/ঈচেল কনবা লাইজদসু/নৌবু খূৎপায় চেৎলিবী/থোৎলবদা নঙ লৈরাংনি/কনবদা নুংগা চাংদল্লিবী/ঈশ্বরগী অঙকপা খূৎশেম/নুপী নঙ হীংদুনা লৈয়ু/যুগ যুগ খুদিং।।"** শৈরেং মতেক অসি মপান মণিপুরগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?
৫) **"লৈমরেম্বীনি ঐ"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

***১) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪)***
২) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৩,৪)
৩) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৪) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নংথৌ পরেং - (১,২,৩)
৫) অনন্দকুমার খুঞ্জামযূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৬) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোং - (১,৩)
৭) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনিং লৈকায় - (১,২,৩,৪)
৮) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৫৫গী ৱিন্নর*

***য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৫৫গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# ইবা হায়বসিবু থবক নত্তজাৎলনে?

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



মীওইবা অমগী পুন্সি অসি তেনখ্রবজাৎনি। মী অমনা খন্নরিবা অসি মহাক চহী চাম্মা হিংগনি হায়বা ৱাখল অসিনি। অদুবু পুন্সি অসি চহী য়াঙ্খেগী মথক্তা লানখৎখ্রবদি অদুম হায়বা ঙমদ্রে। হকচাংগী মপান্দা চঙবা ঙমদনা কোয়পাই পাইরগা লৈরম্বা লায়না ময়ামগী মকোন শাফম ওইরক্লে। মীগী ফনবা খনবী হায়নরিবা লাই মানা তেন্না হিংবা পুন্সি অসি হেক লোইবফাওবা নুংঙাইনবা শিনবীরম্বা কৈদৌবগে মহাক লৈরবদি। তাইবঙ মীওইবনা মহাক চহী চাম্মা হিংখিনি হায়না খন্নরিবা অসি মহাক্কী হেক মমাঙদা লৈরম্বা অহল লমনশিং অদু চহী চাম্মা ফাওবা হিংবা খরা য়াওনখিবা অদুগীনি। চহী চাম্মা মপূং ফানা য়ৌদ্রিঙৈ চাম্মগী ৱাখলদা লৈনরিঙৈ চৎনখিবা ঙাক্তনি। লাইবক ফদুনা চহী চাম্মা য়ৌদুনা ৱাখল মাঙদ্রিবা মী অদুনা খনবা য়াবসি চহী চাম্মা য়াঙ্খে হিংবা মী য়াওনখি। অদুনা ঐসু হিংবা য়াইনা অসিনি। ফরে চাম্মবু ওইরো, চাম্মা য়াঙ্খেবু ওইরো কয়াদা তেনখ্রবা মীওইবগী মপোক্লো? কনা অমনা হায়জিন্নরক্কনি চহী ১০০ অসি শাংলবনি কাইনা, অদুবু মীওইবা কনানা চহী চাম্মা অসি মবুক মনুংদদি শাংই হায়না য়ানীংগদবা কনা লৈরমগদগে?

তেনত্রিক তেল্লবা মপোক অসিদা মী অমনা তৌগদৌরিবা থবক অসি কয়া য়াম্না, কয়া লোঙনা তৌবা ঙমগনি? মানা মানা তৌগদৌরিবা মায় ওনশিন্নরিবা থবক অদুদা মায়পুননা তৌবা হায়বসি মথৌ তারক্তব্রা? ওজা ওইরিবা মী অমনা ওটোরিক্সোসু থৌবা, কৈথেল অচৌবদা দুকানসু ফম্বা, শুমাং লীলাসু য়াওবা, তবলাসু থিনবা, ঈশৈসু শকপা, অরাংফমসু ফম্বা অদুগা মসিগীসু মথক্তা ফিল্মসু কূম্মগা ধরনা ফমদুনা ৱাকৎ খোঙচৎ য়াওদুনা লৈবা য়াগদ্রা? ওইথোক্কদ্রা? হায়রকপা য়াই ওইথোক্কনি হায়না, অদুবু মদু মী খুদিংনা হেক্তা ওইথোকপা ঙম্বা য়াবা ৱারা? মদুগী থবক্তু মী অমনা মতম ফংগদ্রা হায়বদু (টেক্নিকেল্লি) নৈনফম ইথোকমক থোক্তবরা? লতা মঙ্গেস্করনা লৌ য়ৈবা য়াওদুনা, আলু থাদুনা অদুগা ফি য়োনবা য়াওদুনা লৈরবদি মানা করি করম্বা ঈশৈ ফজবা ময়াম অমা শক্লমগদৌরি? হীরম অমদা কাবক কাবক য়াওদুনা মোরেল সপোর্ট পীবদা হায়নবা ৱাফম অদুনা অমনি। তশেংনা মায়পুননা থবক অমা তৌবা হায়বসিদি ওইথোল্লরোই। উদা কোক কোক, ৱাদা কাক কাক তাদুনা তোক্কনি। মৈতৈ ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্লবা ফজখ্রবা পাউরৌনি, অমদসু তৌ অমদসু তৌ ইয়াওদা য়াওবা হায়বা অসি অফবা নত্তে হায়না হায়রম্বা ৱাফমনি। ইংলিসকীসু অমা লৈরি জেক ওফ ওল ত্রেদস, মাষ্টর ওফ নন, অমদসু হেক্তা য়াওবা অমদসু অমুক অমা হেক্তা তৌবা, মপাম চাকসু চাদ, মৱা চাকসু চাদা, হিন্দিগী অমসু লৈরি, ন খর কা ন ঘাট কা হায়নরিবা অসিনি। তেনখ্রবা পুন্সি অসিদা পীকখ্রবা কোক অসি কোয়চাই চাইবা য়াবা থবক তৌবা ঙম্বা হৌনদে। খরমখে মরী লৈনবা থবক্তা য়েংশিল্লুবা য়াওশিল্লুবা হায়বা অদুনা অমনি তেনখ্রবা পুন্সিনি মতম লৈতে, হকচাং ৱারক্কনি কোক্তা অৱাবা পীরক্কনি অমুক্কা হন্না হায়জরবদা!

লাইরিক ইদবা কাঙবুনা লাইরিক ইবা হায়বসি থবক অমনি হায়না খনবীবা অমা চঙই। লাইরিক ইবা কাঙবুনসু লাইরিক ইবসি থবক্লি হায়বা অমা চঙই। কনাগুম্বশিংনা লাইরিক অসি থবক্তি য়াওদনা তেবলদা শুংলগা ইবনি ফিল্ডদা চৎলগা ইয়ু হায়না হায়জিল্লকপসু য়াওই, মসিগী মথক্তা থবক থৌরম খুদিংমক্তা পংয়াওদা য়াওশিলহন্নীংবা অমদি এক্টিবিষ্ট ওইদবা য়াদে হায়বগী ৱাফম লাকই। এক্টিভিষ্ট ওইদবনা ইদ্রবদি পানীংদে হায়বা য়াওশিল্লকই, অইবদা করেম্নশিল্লকপা য়াওই। মসি ইবা অসি য়াম্না লায়বা পঙইদা ইশিনবা য়াবা ওইনা খল্লকপগী মওংনি। ক্রিএটিভ রাইটিংদা লৈজবা মীনা ইরকপনা পোৎ অমনি অদুগা এক্টিভিষ্ট অমনা ইরকপা পোৎ অদুনা অমনি, মহাউদি মান্নরোই। এক্টিভিষ্টশিংনা ইবা পানীংবনা এক্টিভিষ্টনা ইবা পাবা য়াই, ক্রিএটিভ রাইটরনা ইবা পাবা পাম্বা মীনা মদু পাবা য়াই। লম অমমমনি। ষণগী ৱারেং অমগা ছন্দ নাইনা ইরবা ষণগী শৈরেং অমগা মহাউ মান্নরোই।

মীওইবগী মাইন্দ (পূক্নিং) অসিনা তৌবা ঙম্বা মথৌ কয়ানি, ভাবনা শাগৎপা ঙম্মী, শাগৎলিবা মাগী ইমেজিনেসন (কল্পনা) অদু অপাবনা লোকচবা হার্ভেষ্ট তৌজবা, মহাউ চূপচবা য়াই। ওইদবা ৱা ঙাঙবা তাবসু অদুম নুংঙাইবনি, থোক্তবা থৌদোক কয়া থোকপা শাদুনা ইবা ফিক্সন অসিসু নুংঙাই। ষ্টোরি হায়বা অসিসু নুংঙাই। পুথোক্লিবা পোৎ অদুনা কলাগী পোৎ ওইবা ঙম্লবদি ইনুংতা নুংঙাই। ষ্টার ৱার ওইগেরা? হেরি পোট্টর ওইগেরা, চার্লি চেপ্লিননা খোঙউপ চাগেরা, দীনমনিগী পিক্লিক পিক্লিক কৌবা ৱারীমচাদা চাক চফুদগী খোঙ মোজা শৎকৎলক্কেরা, জি সী তোংব্রাগী কাঙ নিংথৌ ওইগেরা? নুংঙাইহনবা, থাজহনবা, নুংশিহনবা, মালহনবা ঙম্মগা লোইরে। উদা কাক কাক, ৱাদা কাক কাক ঙাক্তা তৌরগা ফজবা অইবা ওরো ওরো থোরক্কনি হায়বদুদি কয়া থাজদে। ঙম্লু ঙম্নরদি ফৈ, ইবখক্তং পানবফাও ঙমদ্রিঙৈদা উদা কাক কাক, ৱাদা কাক কাক তৌদুনা টয়ার মৈ থাবমুক য়াও, শেল শৎপমুক চৎ, থাবল চোংবগী মীটিং অমুক য়াও, ঙারিগী এসোসিএসন অমুক য়াও, ক্রিএটিভটিদা অমুক অকায়বা লাক্লোইদ্রা? মীনা অৱাবা ঈশৈ, শৈরেং, দ্রামা, উপন্যাস, ফিল্ম ইনরিবা ময়াম অসি ৱাদ্রবা মতমদা, নুংঙাইরবা কোক শাদ্রবা মতমদা ইবা ঙাক্তনি, নুংঙাইবগী ইরসু নুংঙাইবা মতমদা অদুম ই, অৱাবগী ইরসু অৱাবগী মতমদা ই। অদুনা কোক ৱাই শঙবা হায়বা অসিমদি অইবা মীনা তঙাইফদে। লাউখায়নবা, শংকৎনবা, কেস তৌনবা, উকিল মনাক্তা হাফোই হাফোই চেনবা, সী এস ওশিংগা অমুক ৱারী শানবা, পব্লিক মীটিং, ধরনা, ৱাকৎ মীফম, লৈঙাক্তা ৱারী শানবা অহিং নুংথিল চূম্ফম চাফম খঙজদনা ৱানা লৈবাক্কী থবক তৌজবা এক্টিভিষ্ট অদুমাইনা অইবনা লৈথোকখ্রদি কদাইদগী অইবনা শান্তি ফংদুনা ইবা ঙমদৌরিবা? মী অমনা লাইরিক অমা ইবা হায়বসি ৱানা থোকপা থবক ওইরিঙৈসিদা অমুক পোৎলম হাপচিনবীবা ক্রিএটিভিটিদা অকায়বা ওইনীংঙাইনি। অইবা অঙম্বা খরনা এক্টিভিষ্ট ওইখিবা য়াই। অদুগা অইবা মী খুদিংমক এক্টিভিষ্ট ওইদবা য়াদে হায়বদি লৈতে। মীনা মানা ঙমজবা মতম ফংজবা, মতিক লৈজবা, মপাঙ্গল লৈজবনা অমনি।

অমরোমদা ইবা হায়বসিসু থবক অমনি। ইরগা শেল তান্দুনা হিংবা মী কয়ানি। লুপা ক্রোর ক্রোর, দোলর মিলিয়ন মিলিয়ন তাল্লিবা শিনফমনি। ফজ ফজবা ইবীরক্লবা অইবদা থৌনা হাপ্পীয়ু, তেবলদা শুংবনি হায়না দিসকরেজ তৌবীগনু, অইবনা এক্টিভিষ্ট ওইদবা য়াদে হায়বসু লৈতে, ইবা হায়বসে শেল ফংবা থবকনি। অইববু লৈরমদ্রবা ঐখোয়গী অইবা ইতিহাসকী শরুক লৈরম্মোই, পুয়া পুয়া হায়নরিবসিসু লৈরম্লোই। ঐখোয়গী লোল মশক (অরিবা) উবা ফংলম্লোই, ইবা হায়বসি অচৌবা থবক অমনি অইবা খুদিংমক অমরোমদা কলম পায়দুনা খূৎ থারিবা এক্টিভিষ্ট অমমমনি, অহেনবা পোৎলম কয়া অমা পুরুদ্রবসু ইবা হায়বসিমক পোৎলূম অমনি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ খুমন তেরা # ৩৭২

**– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –**
**সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ**

পাউদমশিংগী মতুংইন্না ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা তেরা পাম্বী মখল অনী হৌই। বোটানিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০০০দা ফোঙখিবা ফ্লোরা ওফ মণিপুরগী ভোল্যুম অহানবা অমসুং সিনহানা কুমজা ১৯৯৬তা ফোঙখিবা লাইরিক অদুদা স্পিসিস অনী হৌই হায়না পাউদল্লি। মণিপুরদা হৌরিবা তেরা পাম্বী অনী অদুদি ইচম চম্না খঙনবা তেরা পাম্বী অদুগা অতোপ্পা অদুনা খুমন তেরা পাম্বী অসিনি। খুমন তেরা পাম্বী অসি ইংলিসতা সিল্ক কোটন ত্রী (Silk Cotton tree) নৎত্রগা ছোয়ি সিল্ক কোটন ত্রী (Showy Silk Cotton tree) নৎত্রগা গুৱানা চেছনট (Guiana Chestnut), অসামিজদা ধুমবোলি (Dhumboli) নৎত্রগা দুম্বোইল (Dumboil), বেঙ্গলিদা সেমল (Semal) নৎত্রগা সেমুল (Semul), কুকিদা ইনপাং (Inpang), সংস্কৃটতা কুটসালমালি (Kutasalmali), টামিলদা ভেলাইকুঙ্গিলিয়ম (Vellaikungiliyam), মরাথিদা দেব-সাবর (Dev-savar), মালায়ালমদা পুলা (Poola), হিন্দিদা সেমুল (Semul), মিজোদা পাং (Pang), অন্দমান্দা দম্বোলি (Dumboli), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা বোম্বেক্স ইন্সিগ্নি (Bombax insigne Wall.) নৎত্রগা বোম্বেক্স ফেসতিভম (Bombax Festivum Wall.) নৎত্রগা বোম্বেক্স তেনেব্রোসম (Bombax tenebrosum Dunn.) নৎত্রগা সালমালিয়া ইন্সিগ্নিস (Salmalia insignis (Wall.) Schott & Endl.) নৎত্রগা সালমালিয়া স্কোপুলোরম (Salmalia scopulorum (Dunn.) Steorn) হায়না কৌই অমসুং বোম্বেকেসী (Bombacaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। অদুবু কনাগুম্বা খরনদি পাম্বী অসি মালভেসী (Malvaceae) শাগৈদা থম্মী। বোম্বেক্স জিন্স অসি ইরিওদেন্দ্রোন (Eriodendron DC.) হায়বসিগা সিনোনিমস ওই। বোম্বেক্স জেনেরাগী মনুংদা স্পিসিস ৮ লৈ। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা ময়াম্না তেরা পাম্বী হায়না খঙনবা রেদ সিল্ক কোটন ত্রী (Red Silk Cotton tree) অদুগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা বোম্বেক্স সিবা (Bombax Ceiba L.) অসিনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না খুমন তেরা পাম্বী অসি ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারদগী হৌরকখিবা ওইরবসু লাওস, থাইলেন্দ, বাংলাদেশ, ভিএটনাম, জাভা, ইন্দোনেসিয়া, ইন্দিয়াগী অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। ইন্দিয়াগী মনুংদা খুমন তেরা পাম্বী হৌবা ষ্টেটশিংদি কেরলা, মহারাষ্ট্র, গুজরাট, কর্টাটকা, টামিল নাদু অমসুং অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিংনি। অসাম মরু ওইনা বরাক ভেল্লি অমসুং মণিপুরদা খুমন তেরা পাম্বী অসি মপূং ওইনা হৌবা থেংনৈ। মণিপুরগী তম্পাক্কী অনেম্বা মফমশিং অমসুং চীংখোঙ চীংয়াশিংদা খুমন তেরা পাম্বী অসি হৌবা থেংনৈ।

খুমন তেরা পাম্বী অসি দেসিদুঅস (Deciduous) হায়বদি নাকেনথাগী মতমদা মনা কেনগনবা ফুট ১০০ ফাওবা ৱাংবা উজাও পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মউ অমসুং মশাশিং অদু মচিন পঙবা তীঙ্খংশিং পাল্লি। অঙাংবা নৎত্রগা চন্দন মচুগী সেন্টিমিটর ১০ ফাওবা চাওবা লৈশিং অদু নাকেনথা লোইশিল্লকপা মতমদা য়াম্না মরাং কায়না শাৎলি মদুদি পাম্বী অদুদা মনা অমত্তা য়াওদনা লৈখক্তমক য়াম্না শাৎপদু উবদা পূক্নিং থোইদোক্না শুমহৎনীংঙাই ওই। মতম অদুদা খুনু, ক্বাক, খোইনিং উচেকশিংনা লৈহী চুপ্তুনা পোলিনেসন (Pollination) হায়বদি লাবা-অমোমগী কয়াৎশিং হায়বদি পোলন (Pollen) শিং অদু অমোমগী কয়াৎ হায়বদি গাইনোইসিয়ম (Gynoecium) দা পকহন্দুনা মরূ অমসুং মহৈ শেম্বগী থৌওং অদু ওইহল্লি।

খুমন তেরা পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। য়াম্না চাওনা চিং-লেম্না ফজবা মরু ওইনা লৈ শাৎপা মতমদা পূক্নিং হুনা ফজবনা পাম্বী অসিবু য়ূমগী অকোয়বা (খরা লাপ্তুক্না), হৈকোল-লৈকোলশিং অমসুং সরক্কী মপান্দা য়াম্না পাম্না থানৈ। অদুবু কনাগুম্বা খরনদি খুমন তেরা পাম্বী অসি য়ূমগা য়াম্না নক্লনা থাবদি ফত্তবা ফল ফংই হায়না থানদে। মিজোরামদদি খুমন তেরা পাম্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা খৌনাও নাবা অমদি তোন্সিল থুংবা অদুদা পীথক্তুনা লায়েংনৈ হায়না রাই অমসুং লালরামনঘিগ্লোভা (Rai & Lalramnghinglova) না কুমজা ২০১০দা পাউদমখি। ইন্দিয়াগী ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা খুমন তেরা পাম্বীগী উগী মকুগা অতোপ্পা পাম্বী খরগা পূন্না শুগাইমিন্নরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা কোলেরা হায়রিবা ময়াম্না কিন্নরবা লায়না অদু লায়েংনরম্বগী পাউদমশিং লৈ। খোঙ-খূৎকী শরূ তেকপদা খুমন তেরা পাম্বীগী উগী মকু অদু ফজনা শুগাইরগা শেম্বা চনাং অদুনা লশিংগী ফি মচেৎ অমদা চাং মান্ননা তৈরগা অতেকপা মফম অদুদা বেন্দেজ ওইনা য়েত্তুনা লায়েংবগী চৎনবী লৈ। খুমন তেরা পাম্বীগী উগী মকুগা মরাগী মকুগা ২:১গী চাংদাদা লৌরগা অফবা ঈশিংদা পুঙ্খায় অমরোম তপ্না ফুৎলগা লৌবা মহী অদু ইংথহল্লগা ফিজুম্না চুমথোক্লবা মহী অদুদা খোইহি খরা নৈখায়রগা শেম্বা মহী অদু নোংমদা গ্লাস অমগী চাংদাদা নুমিৎ ১৫নি রোম চাং নাইনা পীথকপদা নুপা-নুপীগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। নুপীনা অঙাং মীরোনবা ঙমদবদসু হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু পীথক্লে। প্লরিসি (Pleurisy) হায়না খঙনবা শ্বর হোনবদা ৱাবা অমদি চনিং-চমাং শম্নদবা অদুদসু খুমন তেরা পাম্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথকপদা থোইদোক্না কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। থবাক খেবদসু মহী অদুনা কান্নবা পীবা ঙম্মী। তীল-কাংনা চিকপদগী য়াম্না নাবা অমদি পোমখৎপদা খুমন তেরা পাম্বীগী উগী মকু অদু শুগাইরগা থোমদুনা লায়েংনবগী পাউদমশিংসু লৈ। হায়রিবা শুগাইরবা মচাক অদুনা য়া চিকপা-নাবদসু থোমদুনা ঙাইহাক থম্বদা থোইদোক্না কান্নহল্লি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫গী পাউখুম

১) **"অঙাঙবা লৈগী অঙৌবা মচু"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো? **:-লাইরিক্কী মখল - উপন্যাস; অইবা - (ৱাইখোম চা) ইবোতোম্বী মঙাং; অহানবা ফোঙবা, ওগষ্ট ২০১২।**
২) **"বাস্করবিলে সাগৈগী শাদানহুই"** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- ওরিজিনেল লাইরিক্কী অইবা - স্যার অর্থর কোনান দোইল; মণিপুরীদা হন্দোকপা - শ্রীমতি আর কে স্বর্ণলতা দেবী; অহানবা ফোঙবা, দিসেম্বর ২০০১।**
৩) **"চেক্লা মাদি খঙলম্মী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:- অইবা - রাজকুমারী হেমাবতি; লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচা; অহানবা ফোঙবা, জুলাই ২০০৫ ইং।**
৪) **"ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)"** হায়বসি কনানা ইবনো? **:- অইবা - কালাচাঁন্দ শাস্ত্রী; অহানবা ফোঙবা, ১৯৬০।**
৫) **"নিংঙাইদনা য়াতারিবশিং/মোংফমথকসিদা--,/হৌগৎলো নুংশিরবা মরুপশা!/ঐখোয়সু মপূং ফারে,/অহিংবশিংদা লান হৌরসে।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো? **:- অইবা - লনবোন কবুই; লাইরিক্কী মমিং - নোংলৈ নুংশিৎ; লৌথোরক্লিবা শৈরেংগী মমিং - মোংফমদা (লা:২৩); অহানবা ফোঙবা, ২০১১।**